লোকেল য়ুথ দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন, ক্বাকৈথেল লৈমখুজম লৈকায়না শীন্দুনা ইরাবত দে ওবজার্ভেসনগী থৌরম ক্বাকৈথেল লৈমখুজম লৈকায়দা লৈবা ক্লবকী শঙলেনদা পাঙথোকপগা লোয়ননা লৈ-শু কৎখিবা



এল ৱাই এস ইন্দষ্ট্রিজ প্রাইভেট লিমিটেদকী অনৌবা ইন্দষ্ট্রিএল য়ুনিট অমা বমদিয়র অহল্লুপতা এল ৱাই এস গ্রুপ ওফ কম্পেনিজগী মেনেজিং দিরেক্টর লাইশ্রম য়াইমনা হাংদোক্তুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখিবা



ইরমদম খোর্জৈ অপূনবা লুপ (ঈখল) মণিপুরনা শীন্দুনা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট মাইবম নবকিশ্বরনা ইবা খন্থ-খন্থরুরগা নুংঙাইরকপা হায়বা লাইরিক হিয়াংলম ময়াই লৈকায়দা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা ফোঙখিবগী শক্তম




১২৬শুবা জননেতা হিজম ইরাবতকী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা নিংথৌখোং রাধা মান্দপতা নোংমগী ওইবা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা পাঙথোকখিবদা শরুক য়াখিবা দোনর অমনা ঈ কৎখিবা




## জয়পত্র অমদি মনাফি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্পর ৩০ (ঐচএনএস) : চৈরাপ লোয়শঙগী হোলদা লৈপাক অসিগী অঙোম নিংথৌ রোসোরাজ মণিনা মতম শাংনা লৈবাক্কী থৌরম থৌদা কয়ামরুম পুবীরকপশিংদা পূক্লিং থৌগৎপা অমদি ঈকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা মমাঙদগী চৎনদুনা লাকপা জয়পত্র অমদি মনাফি পীবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না মণিপুর চৈরাক লোয়শঙগী সেক্রেটরি য়ুম্নাম রনবীরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মনা ফি ফংখিবা মীওইশিং অদুদি মোইরাংথেম বীরবাবু, থিয়াম শান্তিকুমার লুৱাংচা, পুখ্রম্বম ওকেন, থোকচোম বংসিদোর, মোইরাংথেম জিবন, বিকাস মুতুম, ময়াংলম্বম হরিচন্দ্র, ময়াংলম্বম সোভামনি, খুমুকচম শ্রিনিবাস, চিংথাম প্রেমকুমার, সেঞ্জম সুরজিৎ অমদি ৱাংখৈরাকপম দোনসননি। জয়পত্র মনা ফংখিবা মীওইশিংদি ককচিংতাবম সনাথোইবা শর্ম্মা (থাঙ-তাদা), ওইনাম সিংহজিৎ (সঙ্কীর্ত্তন ঈশৈ শকপা)নি। লোয়ননা কষ্টম সেক্রেটরি ওইনা ঙাংবম রনজিৎ মীতৈবু হাপখ্রে হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারি।

## ব্লদ দোনেস কেম্প

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস) : ১২৬শুবা জননেতা হিজম ইরবাতকী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা নোংমগী ওইবা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা ঙসি নিংথৌখোং রাধা মান্দপতা পাঙথোকখ্রে।

নিংথৌখোং রাধা মান্দপ ক্লব, পি আর দি এ বিষ্ণুপুর মণিপুর ভলন্টরি হেল্থ এসোসিএসন, নিংথৌখোং ঠিএটর সেন্টর অমদি ব্লদ সেন্টর জেনিমসনা রাম লাল পোল ৮৪গা খুৎশম্নরগা শীনখিবা ব্লদ দোনেসন কেম্প অদুদা মীওই ৫০ হেনবনা ব্লদ দোনেট তৌখি। ঙসি পাঙথোকখিবা ব্লদ দোনেসন কেম্প অদু জেনিমসকী সিনিয়র মেদিকেল ওফিসর ডা. কে সুরজিৎনা লুচিংবা টিম অমগী মীৎয়েং মখাদা চৎখিবনি। ব্লদ দোনেসন কেম্প অসি ঈগী মথৌ তাবশিংদা তেংবাঙনবনি হায়রি।

## মীয়াম্না চেকশিনবীয়ু

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস) : মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর্স কন্সত্রক্সন ৱার্করস য়ুনিয়ন খাঙবোক সিটিং নম্বর ফোরগী মতুংইন্না মোইরাংথেম জিলেন অপোকপা মোইরাংথেম থম্বালনৌ হায়রিবা নুপা অসি য়ুনিয়ন অসিগী মিং শীজিন্নদুনা অচৌবা শেনফমশিং লৌদুনা কার্দ শাবগী থবক তৌরে। হায়রিবা মীওই অসি য়ুনিয়নগা করিগুম্বা মরী অমত্তসু লৈনদে অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমদি মীওই অসিদগী চেকশিনবীয়ু লোয়ননা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না য়ুনিয়ন অসিগী মায়কৈদগী হায়জরি। হায়রিবা মীওই অসি মমাঙদসু অসুম্না মীয়ামদগী শেল খোমগৎলম্বদগী পুলিসনা ফাদুনা চৈরাক পীখ্রবা মীওই অমনি হায়নসু মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর্স কন্সত্রক্সন ৱার্করস য়ুনিয়ন খাঙবোক্কী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এল রামজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা অপীকপা ফুরুপশিংগীদমক য়ু সী এমনা য়াইফ-থৌরাংগীদমক মতম পুম্বদা লেপ্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচএনএস) : অচৌবা কনাগুম্বা ফুরুপশিংনা অপীকপা ফুরুপশিংবু য়োৎশিন্নবা হোৎনবীগনু। মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা অপীকপা ফুরুপশিংগীদমক য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম)না মতম চুপ্পা মখোয়গী য়াইফ থৌরাংগীদমক লেপ্লি হায়না য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা ফোঙদোকখ্রে হায়না য়ু সী এমগী সেক্রেটরি আই পি আর লৈশেম্বা লমাবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ৱাফম অসি য়ু সী এম অমদি এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট অনীনা খুৎশম্নদুনা পরিং নাইনা চথরকপা চীঙাক্তা মীপাল তাঙদবা হায়বগী ৱাখল্লোন্দা য়ুম্ফম ওইরগা রি-জুবেনেসন ওফ ফার্ম ইকনমি এন্দ দিষ্ট্রিব্যুসন ওফ নর্সরি ফিশ হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা লৌমীশিংগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমদা ফোঙদোকখিবনি।

পুরুম লিক্লি কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা ফার্মরশিংগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র কোন্থৌজম, পুরুম লিক্লি ভিলেজগী চীফ এস রিনৈচোংনা প্রসিদেন্ট, পুরুম রিয়েম কাউন্সীলগী সেক্রেটরি এস জোসেফনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা রিছোর্স পার্সন ওইনা এগ্রোনোমিষ্ট লাইশ্রম সনাতোম্বা অমদি ঈ ও, কে ঐচ নিমাইচান্দনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি য়ু সী এমনা মফম অসিদা ফার্মর ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোক্লিবসি পুরুম লিক্লিন্দা তারিবা খুঞ্জাশিং অসি অপীকপা কম্ম্যুনিটি অমা ওইরবসু ঐখোয় ইরমদম অসিদা পুন্না খুন্দামিন্নরিবা কাঙলুপ/ফুরুপনি খন্দুনা শীঞ্জবনি। অপীকপা ফুরুপ য়োকখৎপগী ৱাখল্লোন য়ু সী এমদা লৈজে। মরম অদুনা মতম লৈবা খিবিক্তা য়ু সী এমনা অপীকপা ফুরুপশিংগীদমক লেপকনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নোংমগী ফার্মর ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা লমদম অসিগী ফার্মরশিংদা মতম-মতমগী ওইবা হোংলক্লিবা লৌউ-পথাপশিং এক্সপার্টশিংনা হায়বীরম্লিবশিং ঐখোয়না ইন্দুনা ফৌথোক মরাং কায়না পুথোক্নবা হোৎনসি। অপীকপা ফুরুপ ওইরবসু মালেমদা শক তাকপা ঙম্নবা হোৎনবা কনসি। লমদম অসিগী অৱাৎ-অপা লৈরবসু য়ু সী এমদা লাকপীদুনা তান্নরগা গভর্ণমেন্টনা থাদরিবা স্কিমশিং অসিগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবীয়ু। ঐখোয়নসু অঙম্বা মতেং পাংজগে। ঐখোয় অমত্তনি, ইরমদম অসিবু মতম চুপ্পদা কন্নবা হোৎনবদা পুন্না শরুক য়ামিন্নসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পুরুম লিক্লি ভিলেজদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা ফার্মর ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখিবা ফার্মরশিংদা য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম)গী মায়কৈদগী ঙা মচা লিশিং ৫ রোমসু য়েন্থোকখি হায়না চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ওজা সনাতোম্বগী মথক্তা থোক্লিবা সো কোজ নোটিশ হন্দোক্কদবনি : লূপশিং

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচএনএস) : ওজা সনাতোম্বগী মথক্তা এম য়ুনা সো কোজ নোটিশ থোক্লিবা খুদক্তা হন্দোক্কদবনি হায়না এমসু, এম এস এফ, দেসাম, কে এস এ, সুক অমসুং এইমসকী প্রসিদেন্টশিং অমদি ভাইস প্রসিদেন্টশিংনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, হন্দক মণিপুর লৈঙাক্লা য়ু লিগেলাইজ তৌরকপগা মরী লৈননা লৈবাক মীয়াম্না অমদি লূপ কয়ানা তোঙান তোঙানবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্তুনা অয়া-য়াদা, অপেন-পেন্দা নৈনরিবা তাঞ্জা অমা ওইরি। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা মণিপুরগী ইস্যু কয়াদা পাঙথোকপা দিস্কসন, মীয়ামগী মীফম কয়াদা মরুওইবা ৱাঙাংলোয় অমা ওইদুনা ৱাখল লৌশিং কয়া মীয়ামদা তৎতনা থম্বীরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ওজা অমদা সো কোজ নোটিশ থাজিল্লকপা অসি লাইবক থীবনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক অমদি শেন্মীৎলোনগা মরী লৈনবা হীরমদা পাঙথোকপা দিবেটকী থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমগা মরী লৈননা সো কোজ নোটিশ থাজিনবা হায়বসি মহৈরোয় লূপ তরুক অসিনা য়ানিংদে।

মণিপুর অসি ৱাথোক-লান্থোক কয়ানা পীক থনবা লমদম অমনি। ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী চৈথেং, লৈঙাক্লোয় অমদি মীয়ামগী মরক্তা অফবা মরী ৱাৎলকপা, অপূনবগী শক্তম কায়থরকপা, শেঞ্জা-থুমজা, মীহাৎ-মীপুন অমদি মীওইবগী রাইট মৎপগী, শক্তম মাঙশিল্লকপগী, শেন্মীৎলোন শোয়থরকপা অমসুং খম-থেংনা মীপাল তাঙবগী চৈথেং কয়ানা নংলিবা লমদম অমনি। অসিগুম্বা লমদম অসিদদি ঐখোয়গী মীয়ামশিং মতম-মতমগী লাকপা ইস্যুশিং মদুগী অফ-ফত্তা অমদি মথৌ তারবদি লৈবাক্কী ঈহৌ কয়া হৌনবা মতম লৈবা খিবিক্তা শেম-শাদুনা লৈননবা হোৎনবা হায়বসি চৈথেং কয়া নংলিবা লমদম অসিগী মীয়ামগী হিক্তোকপা য়াদ্রবা থৌদাং অমনি। অসিগুম্বা লৈবাক্কী য়াইফনবা ঙাংলি-শক্লিবা ৱাঙাংলোয়শিংদা মচিন মেনশিনবগী মহুৎতা দাইলোগ অমদি দিস্কোর্স তৌনহনবীয়ু হায়রি।

## ওরিব্রুদ কমপ্লেক্সতা সিম্পোজিয়ম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচএনএস) : ৱিমেন লিটরেসি সেল দিষ্ট্রিক্ট ৩২২দি অমদি লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল, লৈমরোল অনীগা লোয়ননা হাউস ওফ ইলিগেন্স অমদি ইতা নোর্থ ইষ্ট ৱিমেন্স নেটৱার্কক্কা পুন্না খুৎশম্নদুনা ভাইওলেন্স এগেনষ্ট ৱিমেন হায়বা থীমদা য়ুম্ফম ওইবা সিম্পোজিয়ম অমা পাঙথোকখ্রে।

এয়রপোর্ট রোদকী অৱাং নোংপোক থংবদা লৈরিবা ওরিব্রুদ কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লায়ন ডা. দল্লিয়ু গোপিমোহোন, পি এম জে এফ দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণর দিষ্ট্রিক্ট ৩২২দি অমদি লায়ন টি ঐচ কেশো, এম জে এফ ভাইস দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণর দিষ্ট্রিক্ট ৩২২দি; লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল লৈমরোলগী প্রসিদেন্ট লায়ন টি কুঞ্জরানি এম জে এফনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুং অমদি অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা ৱিমেন লিটরেসি সেল দিষ্ট্রিক্ট ৩২২দিগী চেয়রপর্সন লায়ন ডা. কোনিকা খুরাইজমনা হায়খিবদা, নুপীশিংবু ঙম্মী হায়বগী মতাগুম তাথি-তাওইনা তৌবগী মতম নৎত্রে। নুপীশিংবু য়ুমগী কুপনোমদা শরুক য়াহনবগী মথক্তা মীরক তিলহন্দুনা ৱাখল লৌশিং ওইহনবগী মতম ওইরে। খুন্নাই অমা, ইমুং অমা চাউখৎপদা নুপা-নুপী অনীমক থোং মান্নরা চৎমিন্নবা চঙই। মণিপুর লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিল্লদুনা নুপীশিংবু মহৈ-মশিন মতিক চানা হৈহন্দুনা চাউখৎপা খুন্নাই অমা ওইবা ঙম্নবা হোৎনবীয়ু হায়খি।

পাঙথোকখিবা সিম্পোজিয়ম অসিদা ফেকল্টি, দিপার্টমেন্ট ওফ কমর্স, এম য়ু প্রোফেসর রোবিতা সোরোখাইবম; সিনিয়র আই স্পেসিএলিষ্ট ডা. নূরনিকা খুরাইজম; ৱিমেন এক্টিভিষ্ট নন্দিনি থোকচোম; প্রসিদেন্ট, গিরলুপ মণিপুর সত্যপ্রিয়া রাজকুমারী; ট্রুষ্টী মেম্বর ইতা নোর্থ ইষ্ট ৱিমেন্স নেটৱার্ক বিজু সামোম; ৱিমেন এক্টিভিষ্ট নোনিবালা নারেংবমনচিংবনা পেনেলিষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

## ফোটো এগজিবিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচএনএস) : ককচিংগী অহল ওইরবা ফোটোগ্রাফর অমদি নৌনা মচিন তুমখৎলক্লিবা নহা ওইরবা ফোটোগ্রাফর ১৭না মশা-মশানা কাপচবা, খনগৎলবা ফোটোশিং উৎপা ফোটো এগজিবিসন অমা লাফম লোকনুং, পুখ্রি মনাক্তা পাঙথোকখ্রে।

সিনেমা ইম্প্রোভিজননা প্রজেন্ট তৌবা অদুদা ইন্টরনেসনল ইন্টরপ্রাইজেস, ককচিং নর্সরি, হায়ুম ইন্টরোরস, সঙাই ন্যুট্রিসন, লিলা বুক ষ্টোর, দি জে জিম এন্দ ফিটনেস সেন্টর, লিক্লা বেকরি, চিক ফিলস, কাসেনো কেফি কে দি প্রিন্টর্স অমদি মার্বি কম্প্যুটর্সনা পুন্না খুৎশম্নদুনা পাঙথোক্লিবা ফোটো এগজিবিসন অদুদা ফজরবা মখল কয়াগী পুন্না ফোটো ১০০ হেনবা উৎখি।

থৌরমগী মনুং চন্না ককচিং লমদমগী শক্লাইরবা, হান্না ককচিং লমদমগী ফোটোগ্রাফর জে কে জয়কুমার অমসুং উত্তম কুমার নাওরেমগা উনদুনা ফোটোগ্রাফর করিনো, মমাংঙৈগী মতমদা ফোটোগ্রাফরশিংনা থেংনরকখিবা অমদি হৌজিক্কী মতমদা ওইরক্লিবা অহোংবা অসিদা খেন্নবা কয়াগী মতাংদা নহা ওইরিবা ফোটোগ্রাফরশিংগা ৱারী-ৱাতাইসু শানখি।

## ওপন ক্লাসিকেল ম্যুজিক কম্পিটিসন

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস) : চতুরপন্দিত বিষ্ণু নরায়ন ভৎখান্দেগী চহী ৮৬শুবা মপোক নুমীৎ থৌরম অমদি নোংমগী ওইবা ষ্টেট লেভেল ওপন ক্লাসিকেল ম্যুজিক কম্পিটিসন অমা ঙসি দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী শেন্থং মখাদা খা মণিপুর হিন্দুষ্টানি সঙ্গীত মহাবিদ্যালয়া, ককচিংনা শীন্দুনা মহাবিদ্যালয়া অসিগী কেম্পসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ককচিং এ সীগী এম এল এ রামেশ্বরনা অথোইবা মীথুং, খা মণিপুর হিন্দুষ্টানি সঙ্গীত মহাবিদ্যালয়া, ককচিংগী প্রসিদেন্ট ডা. এম রাজকুমারনা থৌরম মপু লোয়ননা খা মণিপুর হিন্দুষ্টানি সঙ্গীত মহাবিদ্যালয়া ককচিংগী হান্নগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ মঙালনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

চতুরপন্দিত বিষ্ণু নরায়ন ভৎখান্দেগী ফোটোদা মীয়াম্না লৈ কৎতুনা ঈকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা অথোইবা মীথুংনা খা মণিপুর হিন্দুষ্টানি সঙ্গীত মহাবিদ্যালয়া, ককচিংগী সোভেনিয়র অমা ফোঙদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখি। ঙসি পাঙথোকখিবা ক্লাসিকেল ম্যুজিক কম্পিটিসন অদুদা ভোকেলদা মীওই ৭, ইন্সত্রুমেন্টতা মীওই ৫ অমদি তবলাদা মীওই৫ পুন্না মীওই ১৭না শরুকয়াদুনা অথোই-অহেন তান্নদুনা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনাশিং পীখি।

## মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচএনএস) : ৩২রকশুবা লৈমরোল লমজিংকোন (লৈমকোন)গী মপোক কুমওন থৌরম লৈমকোন ৱিমেন্স এবোর্দ কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে হায়না লৈমকোনগী সেক্রেটরি এ সী ঙান্থোইবীগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা নুপী সমাজগী প্রসিদেন্ট থোকচোম রমনি লৈমা, তম্মী-চীংমীগী প্রসিদেন্ট য়াম্বেম মোমোন, ক্বাথা অপূনবা মৈরা পায়বী লূপকী ক্ষেত্রিময়ুম রুহিনি অমদি লৈমকোনগী প্রসিদেন্ট এম সী রিতানা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইদুনা অফবা মাঙজিল থাবা, মীথোই-মীহেনবা, মীপাল তাঙদবা, মীখা থাদবা, ইখোঙনা থোংনা লেপচবা ঙম্বা লৈপাক অমা খুন্নাই অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা তোঙান তোঙানবা ৱাঙাংলোয়শিংনা মরিক চুম্বা ৱাফম কয়া থন্নীখি। লোয়ননা ইরমদম অসিবু লৈখা তাহন্নবা অমদি মীখা থাহন্নবা চৈফু চৈথেংশিংগী মায়োক্তা অপূনবা থৌদাং লৌমিন্ননবা ৱাফমশিং পুথোক্লদুনা ফিরেপমিন্নখি। লোয়ননা ঐখোয়গী অশোয়বশিং মশক খঙদোক্তুনা মাঙলোমদা চঙশিন্নবা হোৎনবদা লৌগদবা থৌদাংশিংগী মতাংদসু মরিক চুম্না ফোঙদোক্লখি হায়রি।

## হোমগী অঙাংশিংগা চরা তম্মিন্নখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচএনএস) : রিলাইভিং দ হঙ্গর প্রোগ্রামগী মনুং চন্না মোংশাঙ্গৈদা লৈবা বি বি পোল মেন্টেল দিভেলপমেন্ট হোমদা লৈবা অঙাংশিংগা চাক্লেন অমা চামিন্নখ্রে হায়না লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল সেন্ট্রেলগী প্রসিদেন্ট সী ঐচ শরতনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লায়ন ডা. এম বিনোবোনগী লৈখিদ্রবা অপোকপা নামৈরাকপম মোধুগী দেথ এনিভর্সরিগী থৌরমগা মরী লৈননা স্পোন্সর তৌদুনা অমদি লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল সেন্ট্রেলনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট ৩২২দিগী ভাইস দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণর-টু টি ঐচ কেশো, লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল সেন্ট্রেলগী প্রসিদেন্ট সী ঐচ শরত, বি বি পোল মেন্টেল দিভেলপমেন্ট হোমগী হেদ মিষ্ট্রেস টি অনিতানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট সী ঐচ শরতনা লায়ন ডা. বিনোবোননা স্পোন্সর তৌদুনা অসিগুম্বা থৌরম অসি চহী খূদিংগী সেপ্টেম্বর ৩০দা হন্দক চহীগী থারগা ৫রকশুবা ওইনা পাঙথোক্তুনা লাকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি হায়রি।

## য়ু পীথক্তুনা থম্লবদি লৈবাক নীংবগী ৱাখল লৈররোই

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচএনএস) : তুংদা হৌগৎলক্লিবা নহা ময়াম অমা য়ু পীথক্তুনা থম্লগদি লৈবাক নীংবগী ৱাখল্লোন লৈররোই হায়না অপূনবা কৈথেল শিন্নাইবী লূপ কংলৈপাক (অক্সিল)গী সেক্রেটরি জেনরেল কোন্থৌজম প্রভানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মীয়াম্না য়াদ্রে, পামদ্রে হায়না খঙনরবা য়ু অসি লিগেলাইজ তৌদুনা ফোংনা য়োনগনি হায়বসি তৌহৈদবা থবক্লি। অসিগুম্বা তৌহৈদবা থবক অসি মীয়াম্না কয়ারক হায়রবসু, থিংলবসু, লৈঙাক পায়রিবা ঐখোয়না ওথোরিটিনি মীয়ামদি মৱা লৌদে হায়দুনা নম্ফুদা য়োলহনগনি হায়রগদি মীয়ামগা লৈবাক্কা মুরুবা তাবনি। য়ু থকপা হায়বসি অফবা থবক নত্তে হায়বসি পুম্নমক্না খঙনরবনি। মমা-মপা ওইরিবশিংনা মাগী মাগী মচা-মশুশিংদা য়ু থকপা য়ারোই, য়ু থক্নু হায়রম্বদু হৌজিক্তি য়ু থকউ হায়বা তারব্রা। মমা-মপা ওইবশিংনা য়ুমদা হঞ্জিল্লকপা মতমদা মচা-মশুশিংনা শুমাংদা, মাঙ্গোলদা ঙাও-ঙাওদুনা, তু-তুদুনা ইমুং ঈরাং থোক্তুনা লৈরম্বদু পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মদু তানবা শীল্লিব্রা।

লম্বী লমজাওদা, লৈকায় অমদি ইমুং-মনুং মহি লাংনবা শীনবগীনু। নহাশিংবু য়ু পীথক্তুনা ঙাওহন্দুনা থম্লগদি লৈবাক নীংবগী ৱাখল, ফুরুপ নুংশিবগী ৱাখল লৈবাক্কী থবক তৌনিংবগী ৱাখল, লৈবাক কন্নিংবগী ৱাখল অমদি লৈবাক মীয়ামগীদমক কথোক্লিংবগী ৱাখল অমত্তা লৈররোই। লিগেলাইজ তৌদুনা ফোংনা য়ু য়োলহল্লগদি ক্রাইম মশীং হেনগৎলক্লগনি। মরম অদুনা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা য়ু য়োলহনবগী খোঙফম অসি হন্দোক্কদবনি হায়না চেরোল অদুনাম খা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ‘য়ু লিগেলাইজ তৌবগী খোঙফম হন্দোকপীয়ু’

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচএনএস) : হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২০দা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা কেবিনেট মীফমদা মণিপুরগী মফম খূদিংদা য়ু শুংবা অমদি য়োনবগী অথিংবা লৈরম্বদু লৌথোকখিবগী ফিরেপ অদু ইরমদমসিদা লৈরিবা নহাশিং অমদি তুংগী মীরোলগী খনবীদুনা মণিপুর লৈঙাক্লা য়ু লিগেলাইজ তৌবগী খোঙফম হন্দোকপীয়ু হায়জরি হায়না ওল মণিপুর মুস্লিম দিভেলপমেন্ট কম্মিটি (এ এম এম দি সী) হেদ ক্বার্টরগী প্রসিদেন্ট পুশম সয়ীদ অহমদনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

য়ু লিগেলাইজেসন তৌদ্রিঙৈদা লৈঙাক্কী ওইবা হ্বাইট পেপর অমা পুথোকপীরগা লমদম অসিগী মীয়ামগা তানমিন্নদুনা মমুৎ তানা খন্ন-নৈনরগা অফ-ফত্তা খঙদোক্লগা লৈঙাক্লা ফিরেপ লৌবনা য়াইফবা ওইগনি। চহী ২০ হেন্না তুম্না চাবা খঙদনা লৈকায়-লৈকায়গী ক্লব, ওর্গনাইজেসন, মৈরা পায়বী, মরুওইনা কাদা, নুপী সমাজনা য়ুগী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা খোঙজং অরেম্বা তাহনবীগনু। য়ুনা মরম ওইরগা ইরমদমসিদা তাহৈ-উহৈদ্রবা থৌদোক-ৱাথোক কয়া থোক্লি হায়বসি মীপুম খূদিংনা খঙন-উনরবা ঙাক্তনি। মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন এক্ট ১৯৯১ অসি লৈনা লৈনা ফাওবা য়ু থিংবা ঙমদ্রি। নৌহৌননা য়ু লিগেলাইজ তৌরক্লি। ফোংনা ফোংনা য়ু শুংবা তৌরক্লবদি ইন্দিয়াগীসু অপীকপা ষ্টেট অমা ওইরিবা লোয়ননা অপীক-অপীকপা ফুরুপশিংনা খুন্দারিবা ইরমদম অসিদা চহী খরগী মতুংদদি মীওইবা হায়বা কাঙলুপ অসি মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈ।

ইমা লূপ কয়ানা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা খোঙজং ঙসিগী লৈঙাক অসিনা অরেম্বা তাহনবীগনু। য়ু লিগেলাইজ তৌবগী খোঙফম অসি হন্দোক্তবা তারগদি কাদা, নুপী সমাজ অমদি লমদমসিগী সী এস ওশিংনা চঙশিল্লকপা খোঙজং খূদিংমক্তা এ এম এম দি সীনসু খোঙফম চেৎনা লেপ্তুনা পুন্না থেংনমিন্নগনি হায়রি।

## ষ্টেট গভর্ণমেন্টপু দুকান্দারশিংনা থওইদে : পি পি সী এম

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচএনএস) : ইম্ফালগী মসজিদ রোদতা লৈবা দুকানশিংদা হঞ্জিন হঞ্জিন চৎতুনা মতম মতমগী প্রাইস লিষ্ট থেৎসি হায়দুনা লাক্লবসু দুকান্দারশিংনা মখোয়গী তৌনিং-তৌনিংবতা তৌরক্লিবা অসিনা তাকপদি মণিপুরদা লৈরিবা মীয়াম অসিবু করিসু লৈতনা খল্লি হায়বনি। অসিগুম্বা থৌওং অসিদা হৌজিক্কী পাল্লিবা লৈঙাক্লা মখোয়দা অয়াবা পীরব্রা হায়নসু চিংনদবা ঙমদে হায়না দ প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজার্ভেসন কম্মিটি মণিপুর (পি পি সী এম)গী কনভিনর লাইখুরাম জয়ন্তগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

পি পি সী এমগী পরিং নাইনা চথরকপা কঞ্জুমর এফেয়র্সকা মরী লৈননা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ফম্লিবা কৈথেলশিং য়েংশিন খোঙচৎকী শরুক অমা ওইনা লূপ অসিগী কনভিনর মাইবম বিসেশ্বরনা লুচিংদুনা ইম্ফালগী মসজিদ রোদতা পোৎ-চৈ য়োল্লিবশিং অসি করম্না য়োল্লিবগে অমদি প্রাইস লিষ্ট থেৎপ্রা হায়না য়েংশিন খোঙচৎ অমা চৎখিবনি। লূপ অসিনা মমাঙদগী কয়া হন্না লাউদুনা লাক্লিবা গভর্ণমেন্টতা প্রাইস কন্ট্রোল তৌবীয়ু হায়বসি মতম-মতমগী পাল্লিবা লৈঙাক্লা তাবীদবা অদুনা মীতোপ-মীয়ানচাশিংনা ইকনমি পায়শিল্লকপদুনা পোৎ-চৈ খূদিংমক্কী এজেন্সী খূদিংনা শান্ননিংবা মওংদা শান্নরিবসি লৈঙাক্লা ফীদা থাবদগীনি হায়নিংই। লোয়ননা দুকান্দারশিংনা লাক্কদৌরিবা নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরমদা পোৎ-চৈ মমল হেন্না য়োনবীগনু হায়রি।

## য়ুথ ফেষ্টিভেল

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস) : অজাদি কা অমৃট মহোৎসবকী থৌরমগী মনুং চন্না নেহরু য়ুব কেন্দ্র ইম্ফাল ৱেষ্টকা দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী এন এস এস য়ুনিট ৱান অমদি টুগা খুৎশম্নদুনা দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী কেম্পসতা দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ ফেষ্টিভেল অমদি য়ুথ কনভেন্সনগী থৌরম অমা তোঙান তোঙানবা চাংদম্নবশিং য়াওনা পাঙথোকখ্রে হায়না নেহরু য়ুব কেন্দ্র ইম্ফাল ৱেষ্টকী দেপ্যুটি দিরেক্টর এল মার্জিৎকুমারগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

Examination Fee Rs. 300/-

Form Rate Rs. 30/-

TEST YOUR KNOWLEDGE IN THE

4th STATE LEVEL TALENT HUNT SCHOLARSHIP COMPETITIVE EXAM 2022-2023

FOR CLASS I - X (CLASS WISE)

DATE OF EXAMINATION : 26th Oct, 2022

LAST DATE OF FORM SUBMISSION : 12th Oct. 2022

ORGANISED BY: EDUCITY

Sagolband Tera Tongbram Leikai Near Oriental College Imphal-795001

Please Call At :-
# 9612194500
# 7005349894

| Class - (I - V) | Timing: 8.00 - 11.00 am | Class - (VI - X) | Timing: 11.30 - 2.30 pm |
|---|---|---|---|
| FULL MARK - 100 (TOTAL) | | FULL MARK - 100 (TOTAL) | |
| Maths - 40m | PM - 20m | Maths - 40m | PM - 20m |
| Science - 30m | PM - 15m | Science - 20m | PM - 10m |
| English - 30m | PM - 15m | English - 20m | PM - 10m |
| | | S.Science - 20m | PM - 10m |

1st Position - Rs. 1400 x 12 months + certificate (CLASS WISE)
2nd Position - Rs. 1200 x 12 months + certificate (CLASS WISE)
3rd Position - Rs. 1000 x 12 months + certificate (CLASS WISE)
4th - 10th Position - Cosolation Prize of Rs. 1000 each + certificate (CLASS WISE)

Forms Available At :-
* Siroy Staionery - Singjamei Super Market
* Heemabala - Canchipur near M.U gate
* Universal Stationery - Lilong Bazarr
* Shila Book Store - Thoubal Bazar
* Sharma Distributor - Yairipok bazar
* Amar Book Store - Khangabok Bazar
* K.B Book Store - Wanjing Bazar
* Job Centre - Babupara
* Romi Book Store - Moirang Lamkhai
* Naresh Book Store - Moirang Bazar
* Lily Book Store - Oinam Bazar
* Siroy - Kwakeithel Bazar
* Grand Paper Mart - RIMS Road
* Compact Service - Khuyathong Turning
* Phijam Stationery - Chingmeirong
* L.K Book Store - Lamlong Bazar
* Lairik Book Store - Khumbong Bazar
PP Collection - Kakcing Bazar, Thong wangma
* Baby Book Store - Mayang Imphal Bazar
* M/s Computer - Laxmi Bazar, Yumnam Huidrom
* Bros Store - Wangoi Bazar
* Leima book Store - Nambol Bazar
* 1K Book Store - Bishnupur Bazar
* Tamo photo Studio - Ningthoukhong Bazar

HL-P/3865/29, 30 Sept. 1 to 8 Oct.

# ব্রাইট ফাউন্দেসন স্কুলগী মপোক নুমীৎতা মমা-মপা লৈজদ্রবশিংগী স্কুলদা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস) : থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায়দা লৈবা ব্রাইট ফাউন্দেসন স্কুল থৌবালগী মপোক নুমীৎ (ফাউন্দেসন দে) অমসুং লময়ানবা হিজম ইরাবতকী চহী ১২৬ শুবা মপোক নুমীৎ থৌরমগা মরী লৈননা পাঙথোকপা তোঙান তোঙানবা থৌরমগী মনুং চন্না ঙসি ককচিংদা লৈবা মমা-মপা লৈজদ্রবা মহৈরোয়শিং খক্তনা মহৈ তম্লিবা ককচিং লাইফ স্কুলদা চৎতুনা ফিরোল, চে-কলম, শান্ন-খোৎনবগী পোৎলমশিং স্পোর্টস অমদি চান-থক্নবগী পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে।

ব্রাইট ফাউন্দেসন স্কুলনা চহী খূদিংগী ওইনা সেপ্টেম্বর ৩০ খূদিংগী পাঙথোকপা কম্যুনিটি আউটরিচ প্রোগ্রামগী মনুং চন্না পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ব্রাইট ফাউন্দেসন স্কুললগী ফাউন্দর জয় ওইনাম অমদি মহাক্কী লোয়নবী ভিক্টোরি ওইনাম, ব্রাইট ফাউন্দেসন স্কুল থৌবালগী প্রিন্সিপাল ডা. মৈস্নাম রঞ্জিৎ, ককচিং লাইফ স্কুলগী দিরেক্টর জাজি অব্রাহম অমদি ককচিং লাইফ স্কুলগী কন্সল্টেন্টসু ওইরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী প্লান্নিং ওফিসর ৱাই রাজেন্দ্রনা থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না ব্রাইট ফাউন্দেসন স্কুল থৌবাল অমদি ককচিং লাইফ স্কুল অনী অসিগী মহৈরোয়শিনা মখোয়েগী হৈথোই-শিংথোইবশিং উৎপা অমদি মখোয় মখোয়গী মহৈ-মশিন তম্বগী মতাংদা থেংনরিবা অৱা-নুংঙাইগী মতাংদসু ৱারী-ৱাতাই শানদুনা খঙমিন্নখি।

ব্রাইট ফাউন্দেসন স্কুল থৌবালগী ষ্টাফশিং, মহৈরোয়শিং অমদি ভেন দ্রাইভরশিং য়াওনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা ব্রাইট ফাউন্দেসন স্কুল থৌবালগী প্রিন্সিপাল ডা. মৈস্নাম রঞ্জিৎনা ফোঙদোরকপদা, অতৈ স্কুলশিংগী ফাউন্দেসন দে পাঙথোক্লরিবা অসিদগী তোপ তোপ্পা মওংদা ব্রাইট ফাউন্দেসন স্কুল থৌবালনা স্কুল অসিগী ফাউন্দেসন দেগী নুমীৎ অসিদা ওর্ফান হোম, ওল্ড এজ হোম, ব্লাইন্দ স্কুল অমদি চিলদ্রেন হোমনচিংবদা চৎতুনা অঙম্বা খরা মতেং পাংদুনা ফাউন্দেসন দেগী থৌরম অসি পাঙথোকচবনি। থৌরম অসি স্কুল কেলেন্দরদা হাপ্তুনা চহী খরগী মমাঙদগী পাঙথোক্তুনা লাকপনি। ঙসি ঐখোয়না পীজরিবা তেংবাঙ অসি স্কুল অসিগী ষ্টাফশিং, মহৈরোয়শিং অমদি ভেন দ্রাইভরশিং ফাওবা য়াওনা অঙম-অঙম্বা শেলগী তেংবাঙ পীনবনি হায়খি।

## তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্পর ৩০ (ঐচ এন এস) : লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১২৬শুবা মপোক কুমওনগী অচম্বা থৌরম অমা নৈনশঙ ক্লবকী কম্যুনিটি হোলদা হৈ-লৈ কৎতুনা পাঙথোকপগা লোয়ননা মেদিয়ন ফিটনেস এন্দ বোদি বিল্ডর ফেদরেসনগী মখাদা উত্তমা কর্নাটকা বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএসন্না ওর্গনাইজ তৌবা ৭০শুবা নেসনল ফিটনেস বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২২দা সেকেন্দ পোজিসন লৌদুনা ইরমদমগী মিংচৎ পুরকখ্রবা য়ুম্নাম থোমাসপুসু তরাম্না ওক্তুনা পূক্লিং থৌগৎখি। লোয়ননা থোমাসকী মনেশিং অমদি মচিন-মনাও সোসল ওর্গনাইজেসন্নসু শেলগী মতেং পাংখি। থৌরমগী মখা চথরকপা ওইনা মহৈরোয়শিংগী শৈরেং চাংদম্নবা অমসু পাঙথোকখি হায়না নৈনশঙগী জেনরেল সেক্রেটরি চুংখাম সুনিলকুমারগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।